
# ৱোজনিয়াক্কিনা হোং কোং ওপনগী, পেং শুআইনা টিয়াঞ্জিন ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

## এন্দি মরেনা শংহাই মাষ্টর্সগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে





হোং কোং, ওক্টোবর ১৬ :
হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা অনসীদেদ ফ্রেঞ্চকী চেল্লেঞ্জর ক্রিষ্টিনা স্লাদেনোভিকপু মফম অসিদা চখ্খিবা হোং কোং ওপনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মায়থীবা পীখিদুনা টাইটল লৌখি।

কম্পিটিসন অসিগী মঙাশুবা সীদেদ দেনমার্ককী ৱোজনিয়াক্কিনা স্লাদেনোভিকপু ৬-১, ৬-৭ (৪), ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। মেচকী অহানবা সেটতা কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা নিংথিনা শান্নখিদুনা স্লাদেনোভিকপু নক্ষৎখি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা ফ্রেঞ্চ ৱিমেন অসিনা অনীশুবা সেটতা ৱোজনিয়াক্কিবু শিন-থুংনা চেলহন্দুনা শান্নহনখি। সেট অদুদা ফ্রেঞ্চ ৱিমেননা টাই-ব্রেকতা নক্ষৎখিদুনা ৭-৬ (৪) তা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা সেটতা ৱোজনিয়াক্কিনা ৫-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু অরোইবদা ৱোজনিয়াক্কিনা ৬-২ দা মায় পাকখি।

ৱোজনিয়াক্কিনা সিজন অসিদা নিংথিনা শান্নখিদুনা য়ু এস ওপনগী সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি অমদি টোকিয়োদা পাঙথোকখিবা পান পেসিফিক ওপনগী টাইটল লৌখি।

পনবা য়াই, কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা ওপন অসিগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জেলেনা জাঙ্কোভিকপু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অদুগা অতোপ্পা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল মেচ অমদা ফ্রেঞ্চ ৱিমেন ক্রিষ্টিনা স্লাদেনোভিকনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নহা ওইরিবা প্লেয়র মারিয়া গাভরিলোভাবু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা, শংহাইদা চথরিবা শংহাই মাষ্টর্সকী ফাইনেলদা রোবার্টো বৌটিষ্টা ওগটপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে। মরেনা মহাক্কী অহুমশুবা শংহাই মাষ্টর্স টাইটলগীদমক রোবার্টো বৌটিষ্টাবু ৭-৬ (১), ৬-১ দা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

পনবা য়াই, থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা মহাক্কী লম্বাবু মায়থীবা পীখিদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

কুমজা ২০১০ অমদি ২০১১ শংহাই মাষ্টর্সকী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা মরেনা ফ্রেঞ্চমেন গিল্লেস সিমোনবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল মেচকীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

মরেনা ফাইনেলদা স্পেনগী রোবার্টো বৌটিষ্টা ওগটকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। মরে অমদি বৌটিষ্টানা মমাঙদা অনীরক কোর্টতা লম্বা তৌদুনা শান্নখ্রে। মেচশিং অদু কুমজা ২০১৪ গী ৱিমল্লেদন অমসুং কুমজা ২০১৫ গী মুনিক্তা শান্নখি।

ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১৯ দা লৈরিবা স্পানিয়ার্দ অসিনা টুর্ণামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচপু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

চৈরক অসিদা চিনাগী টিয়াঞ্জিনদা চথখিবা টিয়াঞ্জিন ওপনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা চাইনিজগী ভেটেরান পেং শুআইনা অলিসন রিস্কেবু ৭-৬ (৩), ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

মমাঙগী য়ু এস ওপনগী সেমী ফাইনেলিষ্ট পেংনা মমাঙদা দব্লিয়ু টি এ টুরগী ফাইনেল তরুক্কক চঙখিবদা অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদে। মহাক্না রিস্কেগা মায়োক্নখিবা অদুদা ব্রিক পোইন্ট ১২ গী মনুংদা ১০ দি সেভ তৌখি।

পেংনা টুর্ণামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা দাঙ্কা কোভিনিকপু ৩-৬, ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

# সৌরভনা চাইনিজ টাইপৈ ওপনগী টাইটল লৌখ্রে, জয়ারামনা দটচ ওপনগী ফাইনেলদা লৈহৌরে




টাইপৈ সিটি, ওক্টোবর ১৬ :
সৌরভ ভর্মানা মফম অসিদা চথরিবা চাইনিজ টাইপৈ ওপনগী মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা মালেসিয়াগী দারেন লিৱিবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

অমরোমদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা অজয় জয়ারামনা নেদরলেন্দসকী অলমেরেদা চথরিবা দটচ ওপন বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা মধ্যা প্রদেশকী সৌরভ ভর্মানা অহানবগী গেম অনীদি মায় পাকখি অমদি অহুমশুবা গেমদা মহাক্কী ওপোনেন্ট লিৱিনা মরেংবানগী অনাবা লৈবদগী রিটয়ার্দ তৌখিদুনা ১২-১০, ১২-১০, ৩-৩ দা মায় পাকখি।

সৌরভনা মহাক্কী অহুল্লকশুবা টুর্ণামেন্টদদি মরাইবক ফৰা হায়বদু ওইখি। মহাক্না বেলজিয়ম অমদি পোলেন্দ ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জরদা রন্নরস-অপ তাখি অমদি চহী অমরোম মশাগী খুনিং অমদি খুঔদা অশোকপা লৈবদগী শান্নদনা লৈরকখ্রবা মতুং অরোইবা টুর্ণামেন্টদা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখি।

মেচ লোইরবা মতুংদা সৌরভনা হায়খি, মসি ঐগীদি খ্বাইদগী চাউবা মায় পাকপা অমনি অমদি মসি ঙাইদুনা লৈরকপনি। ঐনা বেলজিয়ম অমদি পোলেন্দদা ফাইনেলশিং চঙবা ঙমখি অদুবু টাইটল লৌবদি ঙমখিদে। মরম অদুনা মমাঙদা ঐনা শোইখিবশিং অদু মফম অসিদদি তৌদ্রে অমদি ঐনা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌবা ঙম্বদা নুংঙাইবা পোকই হায়না কুমজা ২০১১ গী নেসনেল চেম্পিয়ন্স অমদি চহী অসিগী রন্নরস-অপ ওইখিবা সৌরভনা ফোঙদোকখি।

সৌরভনা ওপনিং গেমদা নিংথিনা শান্নরকখি অমদি ৫-৩ দা মাঙজিল থানা লৈখি অদুবু অথুবদা লিৱিনা অকনবা মওংদা খুৎ হনখিদুনা পোইন্ট মঙা লৌবা ঙমখিদুনা ৮-৫ দা মাঙজিল থাখি। সৌরভনা ৭-১০ দা নেম্না লৈখ্রবসু মখা তারকপদা ষ্ট্রেট পোইন্ট মঙা লৌখিদুনা অহানবা মেচ অদু মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা সৌরভ অমদি লিৱিনা অকনবা মওংদা শান্নরকখি অমদি লিৱিনা ৫-১ দা মাঙজিল থাখি অমদি মখা তানা ১০-৬ তা অমুকসু লুচিংদুনা লৈখি। ইন্দিয়ন অসি অথুবদা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টগী মায়কৈদা এটেক তৌখিদুনা পোইন্ট তরুক লৌবা ঙমখিদুনা গেম অদুসু মায় পাকখি। অহুমশুবা গেমদা সৌরভ অমদি লিৱিনা ৩-৩ দা লৈখিবা তাঞ্জাদা লিৱিগী মরেংবান্দা অনাবা লৈখিবদগী শান্নদনা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী সৌরভনা গেম অদু মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখি।

সৌরভনা হায়খি, ঐগী ওপোন্টেনা নিংথিনা শান্নখি অদুবু অহুমশুবা গেমদা মহাক্কী মরেংবান্দা নাবদগী রিটয়ার্দ তৌখি। মহাক্না অহানবগী গেম অনীদা মাঙজিল থানা চৎখি। ঐসু নিংথিনা শান্নখি অদুবু অশোয়বশিং লৈখি। ঐনা মেচ অদু কন্ট্রোল তৌনা শান্নখিদুনা মায় পাকপা ঙমখি। ঐনা মায় পাকপা ঙমখিবা অসিদা নুংঙাইবা পোকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা নেদরলেন্সকী অলমেরেদা চথরিবা দটচ ওপনগী বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা অনীরক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অজয় জয়ারামনা মহাক্কী মায়োক্নখিবা লম্বাগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা রন্নরস-অপ তাহৌখি। মহাক্না চাইনিজ টাইপৈগী তজু ৱৈ ৱাংগী মখুৎতা ১০-২১, ২১-১৭, ১৮-২১ দা মায়থীখিবনি।

পনবা য়াই, দটচ ওপন বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা অনীরক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অজয় জয়ারামনা মহাক্কী মায়োক্নখিবা লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবগা লোয়নননা অহুল্লকশুবা ওইনা থংন-থংননা ফাইনেল চঙবসু ঙমখিবনি।

অজয় জয়ারামনা মেচ অদুদা দেনমার্ককী এন্দরস অন্টোন্সেনবু ২১-১৮, ১৩-২১, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা অসিনা মহাক্কী মঙাশুবা সীদেদ দেনমার্ককী এন্দরস অন্টোন্সেনবু মিনিট ৫৯ চঙনা শান্নদুনা মায়থীবা পীখিবনি।

# কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপ : ইন্দিয়ানা অর্জেন্টিনাবু ৭৪-২০ দা মায়থীবা পীখিদুনা গ্রুপকী অনীশুবা মফম কনখ্রে



অহমেদবাদ, ওক্টোবর ১৬ :
ইন্দিয়ানা মফম অসিগী ট্রান্স ষ্টেদিয়াদা চথরিবা কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপ ২০১৬ কী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী লীগ মেচতা অর্জেন্টিনাবু ৭৪-২০ দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপকী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী রাহুল চৌধরি অমদি অজয় ঠাকুরনা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবা মগুণ অদু উৎনা শান্নখিদুনা অর্জেন্টিনাবু নক্ষৎখি।

হৌজিক ইন্দিয়ানা মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাক্তুনা গ্রুপকী অনীশুবা মফমদা লৈখি। অদুগা গ্রুপ অসিদা সাউথ কোরিয়ানা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। অর্জেন্টিনানা মহাক্কী ফংখিবা মেচ মরিমক মায়থীখি।

সাউথ কোরিয়ানা অতোপ্পা গ্রুপ এগী মেচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৬৩-২৫ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখি।

সাউথ কোরিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচ মায় পাকখিবা অসিনা মখোয়গী ফংখিবা মেচ মরিমক মায় পাকখি। সাউথ কোরিয়াগী টিমদা মখোয়গী মমিং লৈরবা প্লেয়র জাং কুন লী য়াওখিদ্রবসু নিংথিনা শান্নখিদুনা টিমবু সেমী ফাইনেলদা পুশিনবা ঙমখি। মেচ অদুদা চিওল গয়ু শীননা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা পোইন্ট ১১ লৌখি। অদুগা দোং গয়ু কিমনা পোইন্ট ১০ লৌবা ঙমখি।

সাউথ কোরিয়ানা গেম মরিদগী অপুনবা পোইন্ট ২০ ফংবা ঙমদুনা গ্রুপ এগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়ানা গ্রুপকী মঙাশুবদা লৈদুনা সেমী ফাইনেলগী রেসতগী মপান থোকখি।

এসিয়ন গেমসগী সিলভর মেদলিষ্ট ইরানননা গ্রুপ বিগী শান্নখিবা মেচ অমদা চিলাউনা জপানবু ৩৮-৩৪ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অসি মায় পাকখিবা অসিনা ইরানননা টুর্ণামেন্ট অসিদা থংন-থংননা মায় পাকপা মরিরকশুবসু ওইখি।

মেচ মরি মায় পাকখিবা অসিনা ইরান্না সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখি। ইরান্না মেচ মরিদগী অপুনবা পোইন্ট ২০ ফংদুনা গ্রুপ বিগী মকোক্তা লৈবসু ঙমখি।

ইরানননা ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা মেচ অদুদা ১৯-৯ দা মাঙজিল থানা চৎখি। সেকেন্দ হাফতা অমুকসু হন্না ইরান্না ২৬-৯ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু জপান্না নিংথিনা শান্নরকখিদুনা খুৎ হল্লকখিবগা লোয়নননা পোইন্ট ১০ থংন-থংননা লৌবা ঙমখিদুনা ইরানগী মখুৎতা ৩৫-২৮ দা লৈখি।

জপানগী মাসায়ুকি শিমোকাৱানা টিমগীদমক মশক থোক্না শান্নখিদুনা পোইন্ট ৮ লৌখি। অদুবু অরোইবদা ইরানননা মেচ অদু খুৎপায় চেৎনা পায়শিনখিদুনা মায় পাকখি।

ইরানননা জপানবু নক্ষৎতুনা শান্ননবা হোৎনরকখ্রবসু জপানগী মসায়ুকি শিমোকাৱানা মশক থোক্না শান্নখিদুনা মহাক্কী টিমবু মায় পাক্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে।

# আই এস এল : নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি অমসুং দিল্লি দাইনামোসনা গোল ১-১ দা ড্রো চৎখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৬ :
নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা হেরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দিল্লি দাইনামোসকা গোল ১-১ দা ড্রো চৎখিদুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা পোইন্ট টেবলদা মখা তানা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

প্লে অদুদা দিল্লি দাইনামোসকী কিন লেৱিসনা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি। অদুবু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী উরুগুৱেগী ষ্ট্রাইকর ইমিলিয়ানো অলফারোনা মেচকী মিনিট ৫১ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখিদুনা ইক্কেলাইজ তৌখি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা হৌজিক ফাওবদা মেচ মঙা শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকপা অমদি মেচ অমনা ড্রো চৎখিবা অমদি মেচ অমনা মায়থীদুনা অপুনবা পোইন্ট ১০ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা দিল্লি দাইনামোসনা মেচ অমা মায় পাকপা অমদি মেচ অনীনা ড্রো চৎতুনা অপুনবা পোইন্ট মঙা ফংবা ঙমদুনা টেবলগী অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে।

মেচ অদুদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অদুমকপু টিম অনীনা এগ্রেসিব য়াওদনা ঈংনা শান্নখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা দিল্লি দাইনামোসকী মায়কৈদা এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি। অদুব দিল্লি দাইনামোসকী অকনবা দিফেন্সতা পাক হেক হায়জিনবা য়াদনা লৈখি।

দিল্লি দাইনামোসসু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা কিন লেৱিসনা গোলঅমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। দিল্লি দাইনামোসনা গোল চনখিবদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদসু তপথবা তৌদনা অকনবা মওংদা এটেকশিং চথরকখি। অদুবু অহানবা হাফ ফাওবদি গোল চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা গোল ইক্কেলাইজ তৌনবগীদমক অকনবা শাফুগা লোয়নননা এটেকশিং মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা চঙশিনখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা অদুদগী হেন্না ইচঙ থৌনা হাফ অসিদা শান্নরকখি। মখোয়না তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫১ চৎপা মতমদা ইমিলিয়ানো অলফারোনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ইক্কেলাইজ তৌদুনা ১-১ দা লৈখি।

টিম অনীমক্না মখা তানা মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা গোল অমত্তা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা চনবা ঙম্নখিদবদগী গোল ১-১ দা ড্রো চৎখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা অহেনবা গোল চন্দুনা মেচ মায় পাক্নবা হোৎনরকখ্রবসু কান্নবদি ফংখিদে।

# ইন্টরনেসনেল জুনিয়র ৱিমেন হোকি টুর্ণামেন্টদা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী টিম লাউথোকখ্রে




ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৬ :
স্পেন্না য়ুম্বু ওইদুনা মসিগী ভেলেন্সিয়াদা ওক্টোবর ২৪ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইভ নেসন -ইন্টরনেসনেল জুনিয়র হোকি টুর্ণামেন্টদা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী নুপী মেম্বর ২০ না শাবা স্কাদ অমা হোকি ইন্দিয়ানা লাউথোকখিবগা লোয়নননা টিম অসি মিদফিল্ডর সোনিকানা লুচিংলগনি।

ইন্দিয়ন টিম অসিগী ভাইস-কেপ্টেন ওইনা রাশমিটা মিঞ্জবু হাপখি। টিম অসিগী গোলকিপর ওইনা দিভয়া থেপে অমদি সোনাল মিঞ্জবু খনগৎখি। দিফেন্স লাইন-অপতা রিটু, গগনদীপ কৌর, মাহিমা চৌধুরি, অসমিটা বার্লা অমদি সালিমা টেটেনা পুনমিন্নরি।

মিদফিল্ডরদা য়াওরিবা প্লেয়রশিংনা কৌরস, মনপ্রীট, নভনীট অমদি নভপ্রীটতা নত্তনা ক্রিস্মা যাদভ অমদি উদিটাসু য়াওরি। অদুগা অলকা দুংদুং, জয়োটি, পুজা য়াদভ, অর্ভিন্দর কৌরনা ফোরৱার্দ লাইনদা লৈরি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা য়ুরোপিয়নগী খ্বাইদগী ফৰা টিম জর্মনি, ইংলেন্দ, স্পেন অমদি বেলজিয়মগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ইন্দিয়ানা য়ুরোপিয়ন টিমশিং অসিগা অকনবা চেল্লেঞ্জ তৌদুনা অথোই-অহেন তান্নগনি।

ইন্দিয়ন জুনিয়র ৱিমেন'স হোকি টিমগী কোচ বালজিৎ সিংহ সাইনিনা হায়খি, টুর্ণামেন্ট অসিনা ঐখোয়গী নুপী টিম অসিগী অফবা এক্সপোজর ট্রিপ অমা ওইরগনি। ঐখোয়গী নুপীমচাশিংনা য়ুরোপিয়নগী টোপ টিমশিংগা শান্নগনি অমদি মসিনা মখোয়গী অহানবা ইন্টরনেসনেল এক্সপোজরসু ওইরগনি।

এথলেটশিং অসি সাই ভোপালদা পাঙথোকপা ট্রেনিং কেম্পতা শরুক য়াদুনা অকনবা ট্রেনিং সেসনশিং চথরি। ট্রেনিং কেম্প অসিদা ইন্দিয়ন ৱিমেন হোকি টিমগী চীফ কোচ নেল হোগুদনা অকনবা মিৎয়েং চঙলি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিবা প্লেয়রশিং অদুদি গোলকিপরদা দিভয়া থেপে অমদি সোনাল মিঞ্জনি। দিফেন্দরদা সালিমা টেটে, অসমিটা বার্লা, রাশমিটা মিঞ্জ (ভাইস-কেপ্টেন), রিটু, মাহিমা চৌধুরি অমদি গগনদীপ কৌরনি।

মিদফিল্ডরদা উদিটা, মনপ্রীট কৌর, করিশ্মা য়াদভ, নভপ্রীট কৌর, সোনিকা (কেপ্টেন) অমনি নভনীটনি।

ফোরৱার্দতা জয়োটি, পুজা য়াদভ, অলকা দুংদুং, সঙ্গীতা কুমারী, অৰ্ভিন্দর কৌর অমদি জয়োটি গুপ্তনি।

# ব্রাজিলনা ব্রিক্স অন্দর-১৭ ফুটবোল টুর্ণামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে



মার্গাও, ওক্টোবর ১৬ :
ব্রাজিলনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ব্রিক্স অন্দর-১৭ ফুটবোল টুর্ণামেন্টগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা সাউথ অফ্রিকাবু ৫-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ব্রাজিলনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা দোমিনেট তৌনা চৎখিবা মেচ অদুদা টিম প্লেয়র পাউলো হেনরিখ সাম্পিও ফিলহোনা মেচকী মিনিট ২৪, ভিনিকুস জোস পাইসো দি ওলিভৈরা জুনিয়রনা মেচকী মিনিট ৩৫, অলান দি সৌজা গুইমারেসনা মেচকী মিনিট ৯১ চৎপা মতমদা গোল অমমম অমসুং ভিক্টর গব্রেল মৌরা দি ওলিভৈরানা মেচকী মিনিট ৪০ অমদি ৬১ চৎপা মতমদা গোল অনী চন্দুনা মায় পাকখিবগা লোয়নননা ট্রোফি লৌখি।

মায়থীহৌরবা সাউথ অফ্রিকাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এস'মিসো বোফেলানা মেচকী মিনিট ৮৯ চৎপা মতমদা চনখিদুনা গোল ইক্কেলাইজ তৌখি। টুর্ণামেন্ট অসিগী লীগ মেচতা ব্রাজিলনা সাউথ অফ্রিকাবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেচ অদু হেক হৌবগা ব্রাজিলনা সাউথ অফ্রিকাগী মায়োক্তা অকনবা এটেক্ট তৌদুনা চঙশিনখ্রবসু অথুবা মতমদা গোল চন্নবগী খুদোংচাবদি ফংখিদে। সাউথ অফ্রিকাসু ব্রাজিলগী সাইদতা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২০ চৎপা মতমদা এনদামোলেলো রাদজিলানিনা ব্রাজিলগী গোল পোষ্ট তম্না কাওশিনখিবা বোল অদু ক্রোস বারদা পানখিদুনা অরেম্বা তাখি।

ব্রাজিলসু লেপ্পা লৈতনা সাউথ অফ্রিকাগী মায়োক্তা এটেকশিং চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক্তা মাকোর্স এন্টোনিও সান্টোসনা পীখিবা পাস অমা পাউলো হেনরিখ সাম্পিও ফিলহোনা সাউথ অফ্রিকাগী গোলকিপরবু নক্ষৎলল্লগা গোলপোষ্ট মনুংদা মেচকী মিনিট ২৪ চৎপা মতমদা বোল অদু কাওশিনখিদুনা গোল চনখি। ব্রাজিলনা মখা তানা মায়োক্নখিবা মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৫ চৎপা মতমদা ভিনিকুস জোস পাইখো দি ওলিভৈরা জুনিয়রনা টিমগী অনীশুবা গোল চনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। ওলিভৈরা জুনিয়রনা গোল চনখিবা মিনিট ৫ লৈরগা ব্রাজিলনা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা সাউথ অফ্রিকাগী দিফেন্দর নিকান য়িসো শিংঘানা বোক্স মনুংদা বোল অদু মখুৎনা থেংলুবদগী রেফ্রিনা পেনালটি অমা ব্রাজিলগী ফেভরদা পীখি। পেনালটি অদু ভিক্টর গাব্রেল মৌরা দি ওলিভৈরানা মেচকী মিনিট ৪০ চৎপা মতমদা অশোয়বা অমত্র য়াওদনা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ৩-০ দা অহানবা হাফ ফাওবদা মাঙজিল থানা লৈখি। সাউথ অফ্রিকাদি হাফ অসিদা গোল চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ব্রাজিলনা লেপ্পা লৈতনা চঙশিনখিবা শাফুদা মেচকী মিনিট ৬১ চৎপা মতমদা এলাননা পীরকখিবা পাস অমা ভিক্টর গাব্রেল মৌরা দি ওলিভৈরানা ওক্নগা ব্রাজিলগী পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল চনখি।

সাউথ অফ্রিকাসু গোল ইক্কেলাইজ তৌনবগীদমক ব্রাজিলগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৮৯ চৎপা মতমদা এস'মিসো বোফেলানা গোল অমা চনশিনখিদুনা ইক্কেলাইজ তৌবা ঙমখি। অদুবু ব্রাজিলগী অথুবা এটেক অমদা অলান দি সৌজা গুইমারেসনা মেচকী মিনিট ৯১ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা সাউথ অফ্রিকাবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

# সুরেশনা নুপাগী, সালসানা নুপীগী নেসনেল সব-জুনিয়র টেনিসকী টাইটল লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৬ :
সুরেশ ধাকসিনেশ্বরনা মফম অসিগী দি এল টি এ কমপ্লেক্সতা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ফেনেষ্টা নেসনেল সব-জুনিয়র টেনিস চেম্পিয়নশিপকী অন্দর-১৬ বোইজগী ফাইনেলদা টোপ সীদ সিদধান্ট বানথিয়াবু ৫-৭, ৭-৫, ৭-৬ (১) তা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে। মেচ অদু সিদধান্টনা পুং ২ গা মিনিট ৩৫ চঙনা শান্নখিদুনা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদু লোইরবা মতুং সুরেশনা হায়খি, ঐনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা টুর্ণামেন্ট অমগী টাইটল লৌবা ঙম্বদা অপেনবা পোকই।







সুরেশনা টুর্ণামেন্ট অসিগী অন্দর-১৮ গী ইভেন্টকী সেমী ফাইনেল মেচতা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী নুপীমচা অন্দর-১৬ তা সালসা অহরনা প্রিঙ্কল সিংহবু ৬-২, ৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

নুপীমচাগী অন্দর-১৪ গী ফাইনেল মেচতা সরাদেভনা শারামিয়া গৱারেবু ৬-১, ৪-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। অদুগা নুপামচাগী অন্দর-১৪ গী ফাইনেল মেচতা অজয় মালিকনা ভি এম সন্দীপপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্ণামেন্ট অদুদা মায় পাকখ্রবা শান্নরোয়শিংগা দি সি এম শ্রিরাম গ্রুপকী চেয়রমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্টর অজয় শ্রিরাম অমসুং এসিয়ন টেন্নিস ফেদরেসন (এ টি এফ) কী প্রসিদেন্ট অনিল খান্নানা প্রাইজশিং য়েন্থোক্তুনা খুৎশিন্নখি।

চেয়রমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্টর অজয় শ্রিরামনা শান্নরোয়শিংবু মপুক্নিং থৌগৎখিবগা লোয়নননা তুংদা লাক্কদবা টুর্ণামেন্টশিংদসু মায় পাক্নবা য়াইফ থৌজাল পীখি।